# কোক্রাঝারদা দোক্তর ১ কোভিদ-১৯না শিহনখ্রে; এ দি সী, পুলিস ওফিসর, বি টি সীগী ওফিসল পোজিটিভ ওইরে



কোক্রাঝার, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সি):

কোক্রাঝারগী সিভিল হোস্পিটাল দিষ্ট্রিক্ট ইম্যুনিটি ওফিসর ওইনা লৈবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট সর্ভিলেন্স ওফিসর ওইনা থবক তৌরিবা ডা. অমল মশাহরি কেভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী লৈখিদ্রে। কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা হোৎনবদা মাঙজিন থানা মথৌ পাঙথোক্তুনা লাকখিবা ডা. মশাহরি গৌহাটি মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালদা ঙসি নুমিৎ য়ুংবা অদুৱাইদা লৈখিদবনি। হৌখিবা চয়োল অনীগী মমাংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী মহাকপু আই সী য়ুদা লায়েংদুনা লাকখিবনি।

লৈখিদ্রবা ডা. মশাহরি মশাগী চহী ৫৩ শুখ্রে। মহাক্কী লোইনবী দেবসুকি ব্রহ্মা অমসুং ক্লাস ফাইভ তল্লিবা মচানুপা অমা থম্লম্মী। অয়াম্বা মতমদা ঈং-তপ্না ৱা ঙাঙবা দোক্তর অসি গোলপরা দিষ্ট্রিক্ট মনুং চনবা রোংজুলিগী সরাপরাদগীনি।

লায়রবা ইমুংদা হৌরকখিবা মশাহরিনা খুঙ্গংগী স্কুলদা মহে তম্লকপগা লোয়ননা রোংজুলি হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ক্লাস টেনগী এগজাম ফর্ষ্ট দিভিজনদা পাস তৌরকখি। গুহাতিগী বি বরুৱা কোলেজদা হায়র সেকেন্দরি লোইশিল্লবা মতুং গৌহাতি মেদিকেল কোলেজদা এম বি এস এস তমখি। কুমজা ১৯৯৭ তা মহাক আর এন বন্ধা সিভিল হোস্পিটালদা থবক চঙখি।

কোক্রাঝার অমদি রোংজুলিদা মীয়াম্না লুনা খঙ্ঙবা দোক্তর অসি লৈখিদবদা তোঙান-তোঙানবা দোক্তর, নর্স, ষ্টাফ, ওর্গনাইজেসন অমদি লন্নাই মীওই কয়ানা অৱাবা ফোঙদোরকখি।

চৈরকসিদা, কোক্রাঝারগী এদিসনেল দেপ্যুটি কম্মিসনর প্রজাল দাস কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে। বি টি সীগী পব্লিক রিলেসন্স ওফিসর সমেশ্বর বাসুমাতারি, মহাক্কী লোইনবী, মচানুপী অমদি কোক্রাঝর পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জ বিনান্দা বাসুমাতারিসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে।

অমরোমদা, অসাম গভর্নমেন্টনা খা থংবা অসামগী দিষ্ট্রিক্ট অহুমদা সেপ্তেম্বর ৪ ফাওবা নুমিৎ ১০ নি লোকদাউন তৌনবা থৌরাং লৌখৎখ্রে। বরাক ভেলিগী দিষ্ট্রিক্ট ৩- কছার, করিমগঞ্জ অমসুং হায়লাকান্দিদা হয়েংদগী হৌরগা সেপ্তেম্বর ৪ ফাওবা লোকদাউন তৌনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। য়ুম্লোনবা মণিপুর, মিজোরাম অমসুং ত্রিপুরাগা ফাওনরিবা মফমদা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং হেনগৎলকপা মরম্না লোকদাউন তৌনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

## সেপ্তেম্বরদা হৌরগনি

অগরতালা, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সি):

সোনামুরাদগী দোদকান্দি ফাওবা ঈশিং লম্বীদা চাংয়েং ওইনা জহাজ অমদি হিশিংগী সর্ভিস তৌবা সেপ্তেম্বর থাদগী হৌরগনি হায়না ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার সেবনা ফোঙদোকখ্রে।

ত্বিটরদা থাদোরকপা চেরোল অমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, গোমাতি তুরেলদা দোদকান্দিদগী গোমাতি ফাওরগা সোনামুরা ফাওবা ঈশিং লম্বীদা চৎতোক-চৎশিন তৌবগী থবক চাংয়েং ওইনা পায়খৎনবা বাংলাদেশকী ইনলেন্দ ৱাটর ট্রান্সপোর্ট ওথোরিটিনা অয়াবা পীরে। সেপ্তেম্বর থাগী অহানবা চয়োলদা চাংয়েং ওইনা ধাকাদগী সোনামুরা ফাওবা সিমেন্ট মেত্রিক টন ৫০ হোল্লগনি। ত্রিপুরাদা ঈশিং লম্বী ফাওরগা পোৎ-চৈ পুশিল্লকপা হন্দক্না অহানবা ওইরগনি।

গোমাতি তুরেল ফাওরগা পোৎ-চৈ পুশিল্লক্নবা থৌরাং লৌখৎলকপগী মতাংদা ইন্দিয়াগী হায় কম্মিসনর ওইনা বাংলাদেশতা লৈরিবা রিবা গঙ্গুলিনা বাংলাদেশকী সিপিং সেক্রেটরি মহমদ মেজবাহ উদ্দিন চৌধুরিগা ধাকাদা হন্দক্তা য়ানচে অমা খুৎয়েক পীনখ্রবনি।

# নোর্থ-ইষ্টর্ন হীল য়ুনিভর্সিটিগী ফাইনেল সেমিষ্টর এগজাম য়ৈথোক্নবা তকশিনখ্রে




শিল্লোং, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সি):

মেঘালয়াগী ফেদরেসন ওফ খাসি জেন্তিয়া এন্দ গারো পিপল (এফ কে জে জি পি)না নোর্থ ইষ্টর্ন হীল য়ুনিভর্সিটিগী ফাইনেল সেমিষ্টরগী এগজাম য়ৈথোকপিনবা তকশিনখ্রে।

ওর্গনাইজেসন অসিগী গারো হীল জোন্না থাখিবা চেরোল অমনা হায়খি, কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরকপা মরম্না ফাইনেল সেমিষ্টরগী এগজাম য়ৈথোকপা মথৌ তাই। য়ু জি সীগী গাইদলাইন মতুং ইন্না সেপ্তেম্বরগী অহুমশুবা চয়োলদা এগজাম পাঙথোক্লগনি হায়না য়ুনিভর্সিটিগী ৱেবসাইটতা ফোঙদোরকখ্রবা মতুংদা এফ কে জে জি পিনা এগজাম য়ৈথোকপিনবা তকশিনখি।

এগজাম য়ৈথোক্নবগী তোঙান তোঙানবা মরম কয়ামরুম পীরদুনা ফেদরেসন অসিনা হায়খি, মালেমগী মফম পুম্নমক্তা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা খুদোংথিবা থোকহন্দনবা এগজাম য়ৈথোকপা মথৌ তাই। মীওই ১০০০ হেন্না লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা শিখ্রবনিনা এগজাম পাঙথোকপা হায়বসি খুদোংথিনিংঙাই ওই। হৌখিবা মার্চ থাদা তরুকশুবা সেমিষ্টরগী ক্লাস হৌখিবদা ঙাইরিবা মরম্না অতেনবা মতমগী মনুংদা সিলেবস লোইশিনবা ঙমখিদে। লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা লোকদাউন তৌখিবনা ওনলাইন ক্লাস তৌরবসু মনুং হঞ্জিনবা মফমদা লৈবা মহৈরোয়শিংনা ক্লাস য়াওনবগী খুদোংচাবা ফংখিদে। পুম্নমক অসিগী মথক্তা স্মার্ট ফোন লৈজদবা মহৈরোয় কয়ামরুম লৈরি।

অমরোমদা, কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংনা এগজামদা শরুক য়াবা লাকপা হায়বসি খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থৌওংনি। পুম্নমক অসিগী য়েংলগা তরুকশুবা সেমিষ্টরগী এগজাম মতম খরা য়ৈথোকপা ফগনি। য়ু জি সীগী গাইনলাইন ওইবা তারবসু হাথু-হাথু এগজাম পাঙথোকপা তারবদি মহৈরোয় কয়াগী পুন্সি খুদোংথিবা মায়োক্লরকপা য়াই হায়নসু লূপ অসিনা মরী লৈনবশিংগী মীৎয়েং চিংশিনখি।

# অসামগী এসেমব্লি মীখল মমাংদা শৈশকপা অমদি এক্টর কয়া কোংগ্রেস, বি জে পিদা য়াওরকখ্রে



গুৱাহাতি, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সি):

অসামগী এসেমব্লি মীখল মাঙওইননা তোঙান তোঙানবা শৈশকপা অমদি এক্টর কয়া পোলিটিক্সতা খোঙদারকখ্রে। শক্ল ইরবা শৈশকপা বাবু বরুৱা, অজয় ফুকান অমদি অতোপ্পা আর্টিষ্ট ২৭ কোংগ্রেসতা য়াওরকখি।

শৈশকপা সিমাতা সেখর, এক্টর প্রঞ্জানা দত্তা অমসুং অতোপ্পা আর্টিষ্ট চা কয়ানা বি জে পিদা য়াওরকখি। শৈশকপা বাবু অমদি অজয়না কোংগ্রেসতা য়াওরকপদা অসাম প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট রিপুন বোরানা লুচিংদুনা গুৱাহাতিদা তরাম্না ওকপগী থৌরম পাঙথোকখি। অতোপ্পা নাকল অমদা বি জে পি অসাম ষ্টেট য়ুনিটকী লুচিংবা রঞ্জিৎ দাসনা দিপক শর্ম্মা, সিমাতা সেখর, প্রঞ্জানা দত্তা অমদি অতৈ মীওই কয়াবু তরাম্না ওকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্না মীয়ামগী শীংথানিংঙাই ওইবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপা উবদগী শক্লাইরবা শৈশকপা অমদি এক্টর কয়া পার্টি অসিদা য়াওরকপনি হায়না রঞ্জিৎ দাসনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, ষ্টেট অসিগী হেরিটেজ সাইটশিং ঙাক শেন্দুনা থম্নবগী মতাংদা বিল অমা এসেমব্লিগী মীখলদা পুখৎনবা থৌরাং লৌখৎখ্রে। ড্রাফট বিল অদু কেবিনেট মীফমদা হান্না পুথোক্লগা অয়াবা লৌনবা হোৎনরি।

ওগষ্ট ৩১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লিগী অখন্নবা মীফমদা বিল অসি শোয়দনা পুথোক্লগা পাস তৌনবা থৌরাং তৌরি হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

দিরেক্টরেট ওফ অর্কিওলোজিনা 'দি অসাম হেরিটেজ (টেঞ্জিবল) প্রোটেক্সন, প্রিজর্ভেসন কঞ্জর্ভেসন এন্দ মেন্টেনেন্স বিল ২০২০' শেম শাখিবনি। অর্কিওলোজি মিনিষ্টর কেসব মহন্তনা চীফ মিনিষ্টরগী ওফিস অমসুং অতৈ মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট পুম্নমক্কী ওফিসলশিংগা তান্নরবা মতুংদা বিল অসি শেম শাখি। অসামগী তোঙান তোঙানবা হেরিটেজ সাইটশিং য়োকখত্নুনা থম্নবগী পান্দমদা বিল অসি পাস তৌরগনি হায়রি।

# অসাম রাইফলসনা জুনহেবোতোদা খুৎলায় লল্লোনবা কাঙবু অমা খুৎলায়গা কোন্ননা ফারে



দিমাপুর, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সি):


অসাম রাইফলসকী জুনহেবোতো বট্টালিয়ন্না হন্দক্তা থিবা-হুম্বগী থবক চথবদা খুৎলায় লল্লোনবা মীওই অমদগী এ কে ৪৭, এম কে ৩ রাইপলস অমসুং কাপথোক্ত্রিবা মরু কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখ্রে।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা অসাম রাইফলসনা হায়খি, জুনহেবোতো বট্টালিয়নগী পর্সনেলশিংনা খুৎলায় লল্লোনবা মীওই অমা এ কে ৪৭ রাইফলস, এম কে ৩ রাইফলস অমসুং কাপথোক্ত্রিবা মরু কয়াগা কোন্ননা ফারে। থাজবা য়াবা পাউ অমদা য়ুম্ফম ওইরবা থিব-হুম্বগী থবক চথবদা মীওই অদু খুৎলায়গা কোন্ননা ফাবা ঙমখিবনি।

ইন্সপেক্টর জেনরেল (নোর্থ) অসাম রাইফলসনা থাদোরকপা চেরোল অমা পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়, খুৎলায় লল্লোনবা মীওই অদু জুনহেবোতো দিষ্ট্রিক্টকী খোলোবোতোদা লৈবনি। মশাগী চহী ৪৪ শুরবা মীওই অদু ফারবা পোৎলমশিংগা কোন্ননা জুনহেবোতো পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে। অয়াবা য়াওদবা খুৎলায় লল্লোনবা কাঙবুগী মথক্তা চথবা ওপরেসনগী শরুক অমা ওইনা মফম খরদা থিবা হুম্বা চথবদা মীওই অদু ফাখিবনি হায়রি।

চৈরকসিদা, অসাম রাইফলসকী সেরচীপ বট্টালিয়ন্না কষ্টমস ওফিসলশিংগা লোয়ননা জোইন্ট ওপরেসন অমা চথবদা লুপা ক্রোর ১.৩৯ লোমগী ওইগদবা মপান লৈবাক্কী চুরুট ফাগৎপা ঙম্লে। ওল্ড রুইকোনদা চথখিবা ওপরেসন্দা মপান লৈবাক্কী য়াম্লবা চুরুট ফাগৎপা ঙমখি। ফারবা পোৎলমশিং অদু জেখোথারগী লেন্দ কষ্টমস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নদুনা মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন চথহন্নবা থৌরাং লৌখৎলে হায়রি।

## CROSSWORD-3541



**ACROSS**

1 Cattleman (7)
5 Famous English diarist (5)
8 Managed (5)
9 Breed of cat (7)
10 Gland in the neck (7)
11 Condescend (5)
12 Appraise (6)
14 Part of the foot (6)
18 Angry (5)
20 Ruffian (anag) (7)
22 Canadian province (7)
23 Commerce (5)
24 Labyrinths (5)
25 Initial payment for a purchase (7)

**DOWN**

1 Soft Italian cheese (7)
2 Cold (5)
3 Very ugly (7)
4 Dwell (6)
5 Tartan cloth (5)
6 Foretell (7)
7 Gloss (5)
13 The entertainment business (7)
15 Around-the-clock (7)
16 Flawless (7)
17 Scared (6)
18 Abyss (5)
19 Feudal subjects (5)
21 Accumulate (5)

**Solution 3540**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| R | O | C | O | C | O | | A | R | G | U | E | D |
| E | | H | | A | | | | O | | B | | E |
| S | H | A | R | P | | B | A | S | S | O | O | N |
| I | | M | | R | | I | | I | | A | | T |
| S | I | B | L | I | N | G | | E | X | T | R | A |
| T | | E | | | | H | | S | | | | L |
| | | R | E | Q | U | E | S | T | E | D | | |
| A | | | | U | | A | | | | U | | P |
| M | E | C | C | A | | D | E | B | A | C | L | E |
| U | | H | | R | | E | | I | | H | | C |
| S | T | I | L | T | E | D | | T | H | E | F | T |
| E | | P | | E | | | | C | | S | | I |
| D | E | S | E | R | T | | C | H | O | S | E | N |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

# ষ্টেটকী পাউ

# তাথি-তাওইনা তৌবীদনবা আপিল তৌরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (ঐচ এন এস) :

ষ্ট্রিট দ্রগ য়ুজরশিংবু মীয়াম্না তাথি-তাওইনা তৌবীদনবা, মীওইশিং অদুগী মশক সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইহনবীদনবা এসোসিএসন ওফ দ্রগ য়ুজর মণিপুরগী মায়কৈদগী আপিল তৌরক্লি।

এসোসিএসন ওফ দ্রগ য়ুজর মণিপুর (এ দি য়ু এম)গী চ্যেরপর্সন ও হরিনা হায়খি, কনাগুম্বা অমবু দ্রগ শীজিন্নবা মীওইনি হায়দুনা ক্রিমিনেল অমগুম্না ট্রিট তৌবা, তমথিরবা ক্রাইম অমা তৌরুবগুম লৈবাক শারা শনবীবা, মীশক অদু সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইহনবীবা য়াওনা কিহন-খঙহনবা, তাথি-তাওইনা তৌবীবগী মমি তারক্লি। অসিগুম্বা থৌওং অসি তৌবীগনু। ষ্ট্রিট দ্রগ য়ুজরশিং অসি লৈঙাক্না পীরিবা এস ও পিশিং ঙাক্না লৈহন্ননবা অঙন্বা থাক্তা হোৎনজগে।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি ইরমদম মণিপুরদসু পাক শন্না শন্দোরকপদগী মীশি-মীনা য়াওরক্তুনা মীয়াম পুম্বা খম-থেংনা মীপায়নরবা মতমনি। মায়কৈ কয়াদগী মীওই কয়া চোংথোরক্তুনা মানা মানা ঙমজবা ৱাখল লৌশিং পুথোক্নদুনা লাইচৎ অসিবু লাম্থেংননবা হোৎনরি। ওর্গনাইজেসন কয়া অমদি লন্নাই মীওই কয়ানা ময়ুম-মকৈ লৈজদ্রবা লম্বী-লমজাওদা য়ারেক্তুনা লৈরিবা দ্রগ শীজিন্নবা মীওই কয়াবু লৈফম চাফম শীনবীদুনা অমদি মখোয়গী অৱাৎ-অপা কয়া য়েংশিনবীদুনা তেংবাংবীরকপা অসিগীদমক থাগৎচরি। অদুবু হৌখিবা ওগষ্ট ১৩ অমদি ১৪ থোকখিবা থৌদোক অদুনা খোঙথাং অসি খরা খজিক তাইওন্নবা মায়কৈরোমদা চৎখিগদ্রা হায়না পাখৎচৈ। থৌওং অসিনা মরম ওইরগা মীওই কয়া লোৎনখিদুনা ফংনিংলিবা পান্দম অদু লম্মখাংদা মাঙখিবা য়াবগী চাউনা লৈ। মতুংদা মার্জিনেলাইজ সেক্সন অমা ওইরিবা ষ্ট্রিট দ্রগ য়ুজর কয়াবু মতেং পাংনবা হোৎনবদা তাথি-তাওইনা তৌবীদনবা অমদি মখোয়গী মশক সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইহনবীদনবা নীংশিংজরি। এ দি য়ু এমগী থৌমীশিংনসু অঙন্বা থাক্তা দ্রগ শীজিন্নরিবা ইচিল-ইনাওশিংবু এস ও পি ঙাক্না লৈহন্ননবা অঙন্বা থাক্তা হোৎনগনি। কোভিদ-১৯বু মায়থীবা পীনবা খোঙথাংশিং অসি চঙশিনবগা লোয়ননা অফ-ফত্তা কয়া তাথোক-তাশিন তৌনরগা পুন্না থেংনমিন্নসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## শেনফম য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (ঐচ এন এস) :

পাউচে য়েন্থোকপগী থবক তৌরম্বা পিশুম ওইনাম লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা খোইস্নাম কোবাগী মিংদা অহল ওইরবশিংদা পীবা পেন্সনগী শেনফম ঙসি য়েন্থোকখ্রে।

পিশুম ওইনাম লৈকায়দা লৈবা অহলশিংদা পেন্সনগী শেনফম য়েন্থোকখিবা অসিগী মরী লৈনবা লৈখিদ্রবা কোবাগী মচানুপা খোইস্নাম তোকিওনা হায়খি, লৈকায় অসিদা লৈরিবা অহল ১৯দা থাগী লুপা ২০০/২০০ পেন্সন ওইনা পীজবনি। পেন্সন অসি লৈখিদ্রবা অপোকপা খোইস্নাম কোবাগী মিংদা কৎপনি। পেন্সন অসি পীজরকপা চাউরাক্না চহী ৭ রোম শুরক্লে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

# ফ্লাইটতা মীওই ২৪৫ রোম পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট অসিগী ৱাংমদা তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ২৪৫ ঙসি ফ্লাইট মরিদা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি।

ঙসি অয়ূক পুং ১০.৩০ রোম তাবদা এয়র এসিয়া আই ৫-৭৮৭১ ফ্লাইট অসিনা দিল্লি অমদি গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৭১ ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে। অনীশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো ৬ ই ৪৫৭ অসিনা ঙসি অয়ূক পুং ১১.০৪ রোম তাবদা গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৩৭ ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

অহুমশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো ৬ ই ৬৩২৬ অসিনা ঙসি নুংথিল পুং ১২.৫৬ রোম তাবদা কোলকোটাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১১২ রোম ঙসি ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে। মরিশুবা ফ্লাইট এয়র ইন্দিয়া আই ৭১৩ অসিনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩৬ রোম তাবদা কোলকোটাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ২৫ ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে। ঙসি এয়রপোর্টতা লৈবা মেদিকেল ষ্টাফশিংনা মখোয়বু স্ক্রিনিং তৌখি। মতুংদা মখোয় ঘড়িদা লৈবা ঐচ আর দি একাদেমিদা পুরগা থমখি। মফম অদুদা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মরী লৈনবা মীওইশিং লাক্লগা মখোয় ক্বারন্টিন তৌনবা অমুক পুখি। ঙরাংসু মণিপুরগী ৱাংমদা তোঙান-তোঙানবা মফম পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৪৫৩ ফ্লাইট মঙাদা ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি হায়রি।

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3340**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 6 | | | | | | 1 | 4 |
| | | 1 | | | 8 | | | 2 |
| 3 | | | 9 | | 4 | | | |
| | 4 | | | | | 5 | | 8 |
| | | | 5 | | 1 | | | |
| 2 | | 5 | | | | | 4 | |
| | | | 7 | | 5 | | | 3 |
| 9 | | | 4 | | | 7 | | |
| 6 | 3 | | | | | | 9 | |

**Solution-3339**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 4 | 3 | 1 | 6 | 2 | 8 | 5 | 9 |
| 5 | 6 | 1 | 9 | 8 | 3 | 2 | 7 | 4 |
| 9 | 8 | 2 | 4 | 5 | 7 | 6 | 1 | 3 |
| 1 | 2 | 9 | 5 | 4 | 6 | 3 | 8 | 7 |
| 4 | 7 | 6 | 8 | 3 | 1 | 9 | 2 | 5 |
| 8 | 3 | 5 | 7 | 2 | 9 | 4 | 6 | 1 |
| 2 | 1 | 7 | 6 | 9 | 4 | 5 | 3 | 8 |
| 3 | 5 | 4 | 2 | 1 | 8 | 7 | 9 | 6 |
| 6 | 9 | 8 | 3 | 7 | 5 | 1 | 4 | 2 |

# থা অহুম চখগদবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ বোর্দ, লম্ফেলপাৎনা শীন্দুনা থা ৩ চুপ্না চখগদবা ৱিভিং এন্দ ইম্ব্রোইদরি ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি য়ুম্নাম হুইদ্রোম অৱাং লৈকায়দা লোক সভাগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জননা হৌদোকখ্রে।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকপগী হৌদোকপগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা এম পি ডা. আর কে রঞ্জনন হায়খি, মণিপুরদা লৈরিবা ইমা-ইবেল, ইচে-ইচল খূদিংমক অয়াম্বনা তম্নরুবা তৌদনা ফিশা-লোনশাগী থবকশিং অসি তৌদুনা লাক্লি। য়েলহৌঙৈদগী হৌজিক ফাওবদা ঐখোয়গী ফিজেৎ অসি তোপ-তোপ্পা ওইনা লাকই। তোপ-তোপ্পা ফিজেৎ-লৈতেংশিং অসিনা মণিপুরী ফুরুপপু মালেমদা মশক তাক্লি। মসি খুৎ-শা হৈবগী খুদোলনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

গেষ্ট ওফ ওনরগী ৱারোল পীরদুনা মণিপুর খাদি ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ বোর্দকী ভাইস চ্যেরমেন ৱাই নিলামনিনা হায়খি, কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা ঙসি মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। অসিগুম্বা ফীভমসিদা খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজনা ইমুং খূদিংদা লৈরিবা নুপী ওইবীশিংবু য়ুমদা লৈনা লৈনা থবক শুনবগী খুদোংচাবা পীগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ বোর্দকী চ্যেরমেন এল রাধাকিশোরনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়ারিবা ফিশাবীশিংদসু লেম্না লং য়েন্থোকখি।

## চিরু খুলগী খুঞ্জাশিংদা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (ঐচ এন এস) :

লম্লাই এ সীগী মনুং চনবা উরান চিরু খুলগী খুঞ্জাশিংনা শেমজবা ক্বারন্টিন সেন্টরদা ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈরিবা মীওই তরুক্তা বি জে পি মণিপুরগী ষ্টেট কাউন্সিল মেম্বর খোঙবান্তাবম ইবোমচানা মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর অমদি শেলগী মতেং পাংখ্রে হায়রি। অমরোমদা খুল অসিমক্তদা লৈবা মতম শাংনা হীদাক চাদুনা লাক্লবা অনাবা মীওই অমা লোকদাউননা মরম ওইরগা ইমুং-মনুংগী শেন্থোক হন্থরকপা হীদাক লৈবা ঙমদবদগী অনাবা খাঙদুনা লৈরিবা মীওই অমদা থা অমগী হীদাক লৈদুনা অমদি শেলগী মতেংসু পাংলমখি হায়রি।

# কদাসুগী কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (ঐচ এন এস) : খাঙবোক দিভলপমেন্ট এন্দ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (কদাসু) খাঙবোক্কী মঙাশুবা শাফোঙখিবা নুমীৎ নীংশিং থৌরম খাঙবোম খুল্লাকপম লৈকায়দা লৈবা খাঙবোক ইমা কিদস সেন্টরদা য়াম্না চীংলেম্না পাঙথোকখ্রে হায়না কদাসুগী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি নেপোলিয়ন খুন্দ্রাকপমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অদুদা খাঙবোক জি পিগী জিলা পরিষদ মেম্বর কে ঐচ রাজমোহোননা চীফ গেষ্ট, খাঙবোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী রিটয়ার্দ দে মাষ্টর টি ঐচ য়াইস্কুল,না প্রসিদেন্ট, থৌবালগী এস পি ডা. এস ইবোমচানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অসিদা হন্দক চীফ মিনিষ্টরস ত্রোফি ফোর এন্টি দ্রগ কেম্প্যেনগী এৱার্দ ফংখ্রবা থৌবাল এস পি ডা. এস ইবোমচাসু তরাম্না ওকখি। লৈঙাক্না পীবা এস ও পি ঙাক্না পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা বোসেম, কোসেম অমদি সী বি এস ঈনা লৌবা চহীসিগী ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ব এগজামদা চাদা ৮৫কী মথক্তা ফংলকখিবা মহৈরোয়শিংবু খুদোল পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

